**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-06-2026)**

**ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ** মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলপাৎতা লৈবা ফমুং ৫০ লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ আয়ুস হোস্পিতালদসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা মফম অদুদা উ চারা কয়া থাখি। তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা আয়ুস হোস্পিতাল অদুগী ফিভমসু হকথেংননা য়েংশিনখি।

অমরোমদা, রাজ্য থাক্কী বার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী সিটি কনভেসনদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী চহি অসিগী ওইবা হীরমনা 'ইন্সপয়র বাই নেচরঃ ফোর ক্লাইমেট ফোর অৱার ফ্যুচর' হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-মহৌশা ইমানা ঐখোয়দা পীবা য়াবা খুদিংমক অৱাৎপা লৈতনা পীরি। পুম মক অসিনা মীওইবা ঐখোয়দা মহৌশা ইমানা তন্বীবা অচৌবা পারা অমা ওইরি। ঙসিদি মীওইবা খুন্নাইগী মচৎনা মহৌশাগী ফিভমদা চৈথেং কয়া পীরি। মহৌশা অমদি অকোন্বৈবগী ফিভম কন্নবা সরকারনা অমদি মরী লৈনবা বিভাগশিংনা লৌখৎলীক্লিবা থৌরাংশিংদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নসি।

থৌরম অদুদা চহি অসিগী ওইনা গ্রীন ওন্টরপ্রেন্যুয়র এৱার্ড, বাবিনা গ্রুপস ওফ কম্পানিগী চেয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর-থাংজ দল্লিদা, ক্লাইমেট কম্যুনিকেটর এৱার্ডনা অকাশবানি ইম্ফালগী ন্যুজ রিদর-ক্ষেত্রিমযুম চিত্রভানুদা

অমসুং লাইফ টাইম এচিপমেন্ট ইনভাইরোনমেন্টনা ডা: খাঙেম্বম শামুঙৌদা খুৎশিন্নখি। থৌরমদুদা মীওই অহুমদা এপ্রিসিয়েসন এৱার্ড অমসুং চহি অসিদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল সিম্পোজিয়ম অমদি ষ্টেট লেবেল এসে কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা পুকিং থৌগৎতুনা মনা খুৎশিন্নখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না ইনভাইরোনমেন্ট এৱারনেস স্কিক্কর লোঞ্চ তৌখি।

পালন থৌরম অসিগী মনুং চন্না ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী হেদক্বাটরদা বিভাগ অসিগী দাইরেক্তরনা লুচিংদুনা উ চারাশিং থাখি অমদি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈরিবা ফয়ার সব ষ্টেসনশিংদসু উ চারাশিং থাখি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকী থৌরম রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রে শিং, তোঙান তোঙানবা সরকারগী ওফিসশিং, স্কুল, কলেজ অমসুং তোঙান তোঙানবা লুন কয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ককচিং, সেনাপতি অমসুং তমেংলোং জিলাদা, জিলাশিং অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা এক পের, মা কে নাম থ্রি পোইন্ট জিরো হৌদোকখি অমদি জিলাশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়াসু থাখি।

পালন থৌরম অসি উখ্রুল জিলাদসু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট এসোসিয়েসন অমসুং ফুংয়ো বেপটিস চর্চনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখি। চান্দেল জিলাদা দি.এফ.ও. চান্দেলনা শিনদুনা জিলা অসিগী মোনশাং পন্থাদা লৈবা সেন্ট পিটর হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা এম.এল.এ. ডা: এস.এস. ওলিস য়াওনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার, অতৈ ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াদুনা উ চারাশিং থাখি।

তেংনৌপল জিলাদসু ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা পাক শন্না উ চারা থাবগী

থৌরম পাঙথোকখি।

ৱাটর সেদ মেনেজমেন্টগী ষ্টেট লেবেল নোদেল এজেন্সিনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম কাংপোকপী জিলাগী লাইকোত কোম ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ অমসুং নেসনেল হেলথ মীসন অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস মনিপুরনা পুন্না শিন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎ ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

**খেমচান্দ(এল) ঃ** কাংপোকপী জিলাগী লোইবোন খুল্লেনদা ঙসি অয়ুক নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা নুপী য়াওনা মীওই অহুম লৈখিদ্রে। থৌদোক অসিবু মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবশিং ফাগৎতুনা আইনগী মতুং ইন্না দন্দি পীগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউ মতুং ইন্না ঙসি অয়ুক অঙনবদা ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লোইবোন খুল্লেন ভিলেজতা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মসিদা নুপী য়াওনা মীওই অহুম অদু লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবা হকচাং ঙসি পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে অমদি থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা কাংপোকপী জিলাগী লোইবোই খুল্লেনদা মীচম অহুম হাৎখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা থৌদোক অসি য়ামমক পাংদবা অমসুং মীনুংশি য়াওদবনি। রাজ্যগী পুলিস অমসুং কেন্দ্রগী সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংদা অথুবা মতমদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎনবা খঙহনখ্রে।

**রাজ্যপাল(এল) ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা সি.আর.পি.এফকী দাইরেক্তর জেনরেল-গ্যানেন্দ্র প্রতাব সিংহগা ঙসি ইম্ফালগী লোক ভাবনদা

উন্নদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

রাজ্য অসিদা শান্তি, তংদু লৈতবা অমসুং মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম নীংথিনা ঙাক শেন্নবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ৱাফমশিং খন্নখি।

**ডে (এল) ঃ** মালেমগী হিদাক মনা শিজিন্নদবা নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল তোবেকো সেন্টর প্রোগ্রাম (এন.টি.সি.পি) দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিনবা থৌরম অসিগী নুঙগী ওইবা ৱারোলদি, অন মাক্সকিং দা আপিল কাউন্টরিং নিকোতিন এন্দ তোবোকো এদিক্সন হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা হোস্পিতাল অসিগী ডাক্তর, নর্স অমদি অতৈ ষ্টাফশিং য়াওনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

**এময়ু (এল) ঃ** টেলেন্ট মেনেজমেন্ট এন্দ ফ্যুচর ৱাক ফোর্স ফোর এ দিবলপ ইন্দিয়া ২০৪৭ হায়বসিদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা জাতি থাক্কী মীফম ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা হৌদোকখ্রে।

মনিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজ অমদি ইন্দিয়ান সোসাইতি ওফ ত্রেন্নিং এন্দ দিবলপমেন্টনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভরসিতিশিংদগী লাকপা প্রোফেসারশিংনা ৱা ঙাংখি।

**কেম্প (এল) ঃ** পি.এম.জে.এ.ৱাই-আয়ুসমান ভারত কার্ড সেচুরেসন কেম্প ঙসি নোনে জিলাদা হৌদোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্সরনা বিনিফিসরিশিংদা কার্ডশিং অসি য়েন্থোকখি। স্কিম অসিগী মরুওইবা ৱাফমশিংসু মীয়ামদা শুগাইনা ফোংদোকখি।

কেম্পেইন অসি চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৮ ফাওবা চত্থগনি হায়রি।

**ডে (এল) ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ৪৬ শুবা ফাউন্দেসন কম কোমেন্দেসন ডে ঙসি য়ুনিভরসিতি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-সুমিত্রা ফনজোবমনা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিগী ওজা, এদমিনিষ্ট্রেটিবকী মীওইশিং অমদি অতৈ ষ্টাফশিংনা মহৈরোই অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগীদমক য়াইফনবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা লাক্লি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিবু ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দমদা মাংলোমদা চংশিল্লক্লি।

ত্রিপুরাগী ভারত-বঙ্গলাদেস ঙমখৈদা লৈবা লনকামুরা বোর্ডর আউট পোষ্টতা পাঙথোকপা প্রাহরি সমেলেনদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিবু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থন্বা হায়বসিমক য়ামমক তঙাইফদে। চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইদ্রিঙৈ মাংওইননা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা হীরম খুদিংমক্তা পুন্না শরুক য়ামীন্নসি। শ্রী সাহনা হায়-দ্রগ, মী অমসুং শা-ষন লল্লোনবগী থবক অসি লৈবাক অসিদগী মুত্থৎতবা য়াদে। মসিনা মীয়ামদা অকি-তুংজংবা পোকহল্লে। নহাশিংনা দ্রগতগী লাপা লৈসি। ঙমখৈ লান্না আইনগী ৱাংমদা চংশিল্লকপা মীতোপশিং থিংবা তঙাইফদে।

**অসামঃ** অসামগী মন্ত্রি-মন্দলদা মন্ত্রি ১২ হাপচিন্দুনা ঙসি হিমন্ত বিশ্বসনা লুচিংবা সরকারগী মন্ত্রি-মন্দল চাউথোকখ্রে।

গুৱাহাতিগী জ্যোতি বিষ্ণু অন্টরজাতিক কালা মন্দিরদা পাঙথোকপা ৱাশক

লৌবগী থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিনা মন্ত্রি ১২ বু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মা অমসুং মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াখি। ঙসি নৌনা ৱাশক লৌখিবা মন্ত্রিশিং অদুদি-অশ্বিনি রোই সরকার, অশোক সিঙ্ঘল, বিমল বোড়া, বিশ্বজিৎ দাইমারি, জয়ন্ত মালা বারুৱা, কৌসিক রাই, কেসম মহন্তা, কৃষ্ণ নেদু পোল, নিলিমা দেবী, পিযু হজারিকা, ডা: রানোস তেগু অমসুং সুসন্তা বোরগোহাইননি।

**নেপাল ঃ** নেপালগী মপান থৌরম মন্ত্রি-সিসির খনল ঙসি নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ন্যু দিল্লিদা থুংলরে। মহাক মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ভারত্তা লাকবা বার্ত্তন তৌবদগী লাকখিবনি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই-রনধির জেসৱালনা হায়-ডা: জয়শঙ্করনা নেপালগী মহাক্কা ফম মান্নবা মন্ত্রি অসিগা হয়েং ৱারী শান্নগনি। ডন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী লল্লোন ইতিক, চাউখৎ থৌরাংগী ৱাফমনচিংবশিংদা মরুওইনা খন্নরবা য়াই হায়রি। মহাকা হায়-ভারতনা নেপালগা হেন্না ফবা মরী থমনবা উন্নবা অসিদা খন্নগনি।

**পঞ্জাবঃ** পঞ্জাবকী মোহালি অমসুং অমৃটসর জিলাদা তেরর অমসুং নার্কোটিক্সকী কেসকা মরী লৈননা পঞ্জাব পুলিসনা মীওই মরি অমগসু ফাগৎখ্রে। মসিগী মনুংদা অফগান মচা অমা য়াওরি।

পঞ্জাব পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা জ়বিনাইল অনি য়াওরি। মখোয়দগী পিষ্টোল মঙা, হেরোইন কিলোগ্রাম অমা খরা হেনবা অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ৫ সু ফাগৎপা ঙমখি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দ সরকারনা রাজ্য অসিদা তোবেকো অমসুং নিকোতিনগী

ওইবা পোৎলমশিং শাবা, য়োনবা অমসুং পুথোক পুশিন তৌবা চহি অমগী ওইনা অথিংবা থমখ্রে। ফুদ সেফতিগী কম্মিস্নারনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়-মীয়ামগী হকশেলগী ফিভমগীদমক য়েংলগা অথিংবা অসি থম্বনি।

অথিংবা অসিদা গুদখা, পান মাসালা য়াওনা অতৈ তোবেকো নৎত্রগা নিকোতিন য়াওবা পোৎলশিং কোনশিল্লি। হেলথ এন্দ ফেমিলি বিভাগনা হায়-অসিগুম্বা ফত্তবা পোৎলমশিং চাবনা মীওইবগী হকচাং মরুওইনা অঙাং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা অমাং কয়া থোকহল্লি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সি.সি.মিটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়াইরিপোক এফ.সিনা জিওনলান সিনসিয়ারিতি য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা উৎলৌ এফ.সিনা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স সেনিয়ার ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি কোংবা ধোবী লম্পাক সেদোক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা অল-অমিন লিলোংবু রন-৩৬ তা থোইখি।

থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.টি.সি.সি. পাৎশোইনা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীবু রন-১৫৩ দা থোইখি।